### ৩৭শুবা নেসনল গেমস

# পেনকাক সিলাটতা গোল্ড, ৱেথলিফটিংদা সিলভর অদুগা ফেন্সিংদা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোর্মেল ওইনা গোৱাগী পি টি জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা ৩৭শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা পেনকাক সিলাটতা গোল্ড, ৱেথলিফটিংদা সিলভর অদুগা ফেন্সিংদা ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌবা ঙমখ্রে।

পেনকাক সিলাটকী নুপাগী গান্দা (দবল) ইভেন্টতা মণিপুরগী সিনাম চিঙ্খ্রে অমদি সিনাম জিবনগী পুংবানা টামিল নাদুবু ফাইনেল রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা অহানবদা মণিপুরনা ওরিষ্যা অদুগা মথংদা মহারাষ্ট্র মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল মেটচতা টামিল নাদুবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

নুপীগী ওইনা গান্দা (দবল) ইভেন্টকী অহানবা মেটচতা মণিপুরনা দেল্লী মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুমওইনমক সেমীফাইনেলদা হরয়ানাগী মখূৎতা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ওইনা ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা নুপীগী গান্দা টিমদা য়াওরিবশিংদি থোকচোম বেনাও চনু অমসুং থিংবাইজম দয়ালক্সমী চনুনি।

অমরোমদা, ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা ৱেথলিফটিংগী ওইনা মণিপুরগী এস নিরুপামানা কেজি ৬৪গী কেটগোরিদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৫ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১০ পূন্না কেজি ১৯৫ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা অসামগী সোনোৱালনা স্নেটচতা কেজি ৮৮ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১২ পূন্না কেজি ২০০ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

অমরোমদা, ফেন্সিং মশান্নগী ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌবা ঙমখ্রে। মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ফোইল ইভেন্টতা কোন্সম দেনিনা ব্রোঞ্জ মেদল অদুগা নুপীগীদা ইপি ইন্দিভিজ্যুএলদা নেন্সি রোজনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

## যোগ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট) অকাম্পাৎনা য়ূম্বু ওইদুনা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ যোগসনা (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. দল্লিয়ু শম্ভুনাথনা অথোইবা মীথুংলেন, নৈলিট সেনাপটি এন্দ চুড়াচান্দপুর সেন্টরগী সাইন্টিষ্ট ঈ এন্দ ওফিসর ইন-চার্জ ৱাই সুভাশচন্দ্রনা অখন্নবা লেংবীরকপা অদুগা নৈলিটকী দিরেক্টর এন দেবচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংদগী লাকপা মহৈরোয় ৩৪না শরুক য়াখি। মদুগী মনুংদা ১৪না নুপানি অদুগা ২০না নুপীনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপাগীদা ৱাই রোশন, এম মালেমঙানবা, অদুগা এল অনিলকুমারনা অহুমশুবা তাখি। অদুগা নুপীগীদনা সান্তিলাতা য়াম্বেম, ৱাই গ্যানেশ্বরী অমদি এন থাজমানবীনা মথংশিংনা অহানবা অনীশুবা অমদি ৩শুবা তাখি।

## টি এস পাউল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজনা মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা এন জি মনি কোলেজ খুরাই চাইরেনথোংনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি এস পাউল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজনা শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টি এস পাউল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজকী এল রেজিয়ানা ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৪৮শুবা মিনটতা শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজনা মখোয়গী ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনাল্টি কাওনখি। মদুদা টি এস পাউল কোলেজনা মায় পাকখিবনি।

**USED VEHICLES EXCHANGE/ 2,3,4 WHEELER SALES WITH PURCHASED / VEHICLE LOAN AVAILABLE**

\# মখল খূদিংমক্কী Used Vehicles : 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা পীজরি।

\# 2/3/4 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি।

**EMPLOYMENT NEWS**

\# Car Wash Helper 2, Tyre Fitting helper 3, Gr-IV - 3, Driver 3, Office Asst. : H.Q. Nambol, Samurou অমসুং Thoubal

N.B. লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

*Please contact :*
**L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
\# 9362775475

HL-B/8363/15/9-15/12

পূক্নিং চঙবীয়ু : টেক্স দিদক্টরশিং

Azadi Ka Amrit Mahotsav | G20

DON'T DELAY
FILE TODAY
e-file your
TDS STATEMENT
for Q2 FY 2023-24 by
31ST OCTOBER, 2023

ঈ-ফাইল তৌবীয়ু অদোমগী টি দি এস ষ্টেটমেন্ট অপীবা তারিখতা নৎত্রগা মমাংদা অমসুং থিন্থবগী নোংমদা ₹ ২০০/-গী লেট ফী অমসুং লুপা ₹ ১,০০,০০০/- ফাওবগী পেনাল্টি থীদনবা তৌবীয়ু

| দাউনলোদ তৌবীয়ু টি দি এস সর্টিফিকেট | মতম চানা ইস্যু তৌবীয়ু টি দি এস সর্টিফিকেট |
|---|---|
| **ফোর্ম ১৬/১৬ এ/ ১৬ বি/ ১৬ সী/ ১৬ দি** অসি শুংশোয় শোয়দনা **ট্রাসেস** পোর্টেল **https://www.tdscpc.gov.in** দগী শুংশোয় শোয়দনা জেনরেট তৌগদবনি (**ট্রাসেস** পোর্টেল খক্তদগী দাউনলোদ তৌবা টি দি এস সর্টিফিকেট চৎনগনি)। পান চুমদ্রবদি নৎত্রগা ঈ-ফাইল তৌখিবা ষ্টেটমেন্টদা পন্দ্রবদি ট্রাসেস পোর্টেলদগী টি দি এস সর্টিফিকেট দাউনলোদ তৌবা য়ারোই।<br>**ট্রাঞ্জেক্সন বেজ রিপোর্ট (টি বি আর)** দাউনলোদ তৌবা য়াই নন-পান নন-রেসিদেন্টশিংদগী তৌখিবা অমসুং ফোর্ম নম্বর ২৭ ক্যুদা রিপোর্ট তৌখিবা দিদক্সনশিংগী টি দি এস সর্টিফিকেটকী মহুৎতা | **ফোর্ম ১৬ এ** (সেলরি নৎতবা ইনকমগী) সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২৩দা লোইখিবা ক্বার্টরগী ওইনা নভেম্বর ১৫, ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা<br>**পেনাল্টি :** টি দি এস সর্টিফিকেট ইস্যু তৌবদা থিন্থরবদি থিন্থরিবা নুমিৎ খূদিংগী সর্টিফিকেট অমদা লুপা ৫০০গী পেনাল্টি ইম্পোজ তৌগনি। |

চেকশিনবীয়ু

| অদোম তৌবীরব্রা | মদু ওইরবদি অদোম্না |
|---|---|
| ... ইনকম টেক্স দিদক্ত তৌরগা হৌজিক ফাওবা দিপোজিট তৌবীদব্রা? | • টেক্স খূদক্তা দিপোজিট তৌবীয়ু |
| ... ট্রাসেসতা রেজিষ্টর তৌবীদ্রিবরা? | • রেজিষ্টর তৌবীয়ু https://www.tdscpc.gov.in দা |
| ... পান/চলান ইররশিংগা মরী লৈননা সী পি সী (টি দি এস)তগী এস এম এস/ঈ-মেইল ফংবীরব্রা? | • শোর্ট পেমেন্ট দিফোল্ট লৈহন্দনবা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা রেস্পোন্স তৌবীয়ু |
| ... অদোমগী দিদক্তিশিংগী পান চূম্না ইন্টর তৌবীখিব্রা? | • চূম্মী হায়বদু ভেরিফাই তৌনবা **ট্রাসেস** পোর্টেলদা **পান-টান মাষ্টর ফেসিলিটি** শীজিন্নবীয়ু |
| ... দিদক্তিশিংদা টেক্সকী প্রোপর ক্রেদিটকী খূদোংচাবা লৈহনখিব্রা? | • ফোর্ম ১৬ /১৬এদা টি দি এস সর্টিফিকেট ট্রাসেসদগী জেনরেট তৌবা য়ানবা টি দি এস ষ্টেটমেন্টদা অদোমগী টান, দিদক্তিগী পান অমসুং পেমেন্ট চলানগী সী আই এন চূম্না ইন্টর তৌবীয়ু (অচূম্বা অকুপ্পশিং ক্বোট তৌদ্রবদি পেনাল্টি থীহল্লকপা য়াই) |

cbc 15401/13/0014/2324


ঈ-ব্রোচরশিংগীদমক, ক্যু আর কোদ স্কেন তৌবীয়ু

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস
অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক ভিজিট তৌবীয়ু : www.incometax.gov.in

অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক ক্যু আর কোদ স্কেন তৌবীয়ু

@IncomeTaxIndia @incometaxindia.official @incometaxindiaofficial @Income Tax India @Income Tax India Official

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 948**

**Wolfgang Krüger (2034) - Robin Keyser (2071)**
**DSOL 4. Liga Gruppe B play.chessbase.com, 2021.01.22**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d3 d5 | 3.Nd2 Nf6 | 4.Ngf3 Nc6 |
| 5.g3 dxe4 | 6.dxe4 Bc5 | 7.h3 e5 | 8.Bg2 O-O |
| 9.O-O a5 | 10.Qe2 b6 | 11.Nc4 Ba6 | 12.Re1 Qe7 |
| 13.c3 Rfd8 | 14.Bf1 a4 | 15.Qc2 h6 | 16.b4 axb3 |
| 17.axb3 Qe6 | 18.Rxa6 Rxa6 | 19.b4 b5 | 20.Na3 Nxb4 |
| 21.cxb4 Bxb4 | 22.Re3 c6 | 23.Rb3 Be7 | 24.Nb1 Ra1 |
| 25.Rc3 Ra2 | 26.Bb2 Rc8 | 27.Bxb5... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 947 Solution :**

**34.Qxe5 Rxe5 35.Rc1** The white rook skewers Black's knight and bishop.

Your moves:35.Kf1

Your moves:35.Ng4

**Re7 36.Nd5** Opening the line from c1 to c8. **Nxd5 37.Rxc8+ Kg7 38.Bxd5 Re1+ 39.Kh2**
**1-0**

HIRING for JCRE GROUP

JCRE Group

VACANCIES

**General Duty Assistant Trainer | Vacancy : 01**
Medical Graduate/ B.Sc Nursing /GNM with 2 years of working experience in the relevant field.

**English Communication & Soft Skills Trainer | Vacancy : 01**
Graduate with minimum 3 years of working experience as English and Soft Skills trainer.

**Hospitality Trainer | Vacancy : 01**
Bachelor's or Master's degree in Hospitality Management or relevant field with minimum 5 years of working experience.

**Sales Executive | Vacancy : 02**
Graduate (Preferably MBA in Sales) with minimum 2 years of working experience in the relevant field.

**Learning and Development Assistant | Vacancy : 01**
MBA with a minimum 2 years of working experience in the education/training Sector.

**Customer Care/Telecaller | Vacancy : 01**
Graduate with basic computer skills and minimum 1 year of working experience in customer handling.

APPLY NOW!
SEND YOUR RESUME AT

Email
hr@jcre.ac.in
More information
+91 9366847804
Visit our office
Thangmeiband Meisnam Leikai

HL-B/8304/27

HL-B/8291/31,1-30/9

Approved by Pharmacy Council of India

KNOWLEDGE · INNOVATION · OUTREACH

ASIAN INTERNATIONAL UNIVERSITY
ESTABLISHED UNDER SECTION 2(F) OF UGC ACT, 1956.

ADMISSION OPEN
Session : 2023-24
Make your EDUCATION DREAMS COMES TRUE !!

**D.PHARM**
Eligibility : 10+2 with PCB/PCM
Approved by: Pharmacy Council of India
Duration : 2 Years

**B.PHARM**
Eligibility : 10+2 with PCB/PCM
Approved by: Pharmacy Council of India
Duration : 4 Years

LIFETIME PLACEMENT ASSISTANCE | RUNWAY START-UP SUPPORT | UP TO 50% SCHOLARSHIP

For additional information please visit us: www.aiu.edu.in

The interested candidate may fill up admission application form in office of the University in between 10:00am to 03:30pm on working days up to last week of Nov, 2023. admission to a particular course shall be offered only after confirming enrolment of minimum 15 students in the respective course.

For details kindly contact Campus: Asian International University
+ 9810301896 | 9650377736
CAMPUS: Ghari, Awang Leikai, Imphal West, Manipur-795140.

Sd./-
Admission Co-ordinator

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com